# চরাংপাৎতা উ য়াম্থৎলম্বা লাইবক থিবনিঃ দব্লিউ বি সি সি তেকচমদা উ চারা থাখ্রে, অমত্তা শিহল্লোই ঃ মীয়াম

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাই চিরোম কম্যুনিটি হোল মনাক্তা চহী ৩ গী মমাঙদা থাখিবা উ পাম্বীশিং মশক খঙদবশিংনা লোইনমক য়াম্থৎলম্বসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইও-দাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা তেকচম সাপম সাবল লৈকাইদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা ঙসি মীয়াম্না উ চারা কয়া থাজিনখ্রে। থাখিবা উ চারাশিং অমত্তা শিহল্লোই, নুমিৎ খূদিংগী শেন্নদুনা মপূং ফানবা হোৎনগনি হায়না মীয়াম্না ৱাশকখি।

চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাই চিরোম কম্যুনিটি হোল মনাক্তা চহী অহুমগী মমাঙদা থাখিবা উ পাম্বীশিং য়াম্থৎলম্বা অদু লমদম অদুদা লৈবা চীরোম তোম্বা কৌবা মীওই অমনা ঙসি অয়ুক খঙলকপনি। ঙরাং অহিং য়াম্থৎলম্বা ওইরম্বা য়াই। পাউ অদু ফংবদগী মফম অদুদা দব্লিউ বি সি সি মণিপুরগী টিম অমা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি অমদি লেপমুক ৱাংলবা উ পাম্বীশিং য়াম্থৎলম্বগী থৌওং অদুবু মীয়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতনা পাউদম্লকখি।

দব্লিউ বি সি সি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রবি তখেল্লম্বম্না ফোঙদোক-খিবদি উ-ৱা কোকশিল্লকপা, চীং-পাৎ মাঙশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অইং অশাগী খল কাইথরকপদগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লৈরিবা অসিদগী খরমখৈ ঙাকথোক্লবা হায়দুনা মফম খূদিংমক্তা উ-ৱা থাবগী থবক চথরি।

চৈরক অসিদা মপূং ফানা হৌরবা উ পাম্বী কয়া য়াম্থৎলম্বসি তৌহৈদবা থবক্নি হায়না লৌই। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা হিংলবা অমদি অইং অশাগী খল খরদা ওইরবসু কোক্লগনি খল্লিঙৈ চৈরক অসিদা উ য়াম্থৎলম্বশিং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা অথুবদা থিদোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মফম অদুদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিংসু লাক্তুনা উ চারা কয়া খূৎশিন্নরম্বা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা দব্লিউ বি সি সিনা মতেং পাংখিগনি অমসুং চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংচনবা তেকচম সাপম সাবল লৈকাইদা ঙসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা



*তেকচম সাপম সাবল লৈকাইদা মীয়াম্না উ চারা থাখিবা*

খূৎশম্নদুনা মীয়াম্না উ চারা কয়া থাখ্রে। থারিবা উ চারাশিং অমত্তা শিহল্লোই। নুমিৎ খূদিংগী শেন্নদুনা মপূং ফানবা মীয়াম্না হোৎনগনি হায়রি।

মহৌশাগী অইং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি কলহৌদবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা লৈকাইগী নুপী অঙাং য়াওনা পূন্না থোরক্তুনা উ চারা থাখিবা অদুদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিপ্যুটি রেঞ্জর এম বিরেন সিংহ, ফোরেষ্ট বিট ওফিস পল্লেলগী বি ও সলাওদিন, দব্লিউ বি সি সি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রবি তখেল্লম্বম, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওনররি ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন দব্লিউ রামচন্দ্র সিংহ অমসুং ষ্টাফ কয়া শরুক য়াখি।

তেকচম সাবল লৈকাইদগী পি ঐচ ইবোমচা অমদি নিমাইনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা উ চারা থাখিবা অদুগা মরী লৈননা পি ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদি ঙসি থারিবা উ চারাশিং হিংনবা হোৎনবদা উ থারিবা মশা মশানা দাইত্ব লৌনদুনা অমত্তা শিহল্লোই। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পীরকপা উ চারাশিংদা নত্তনা মশা মশাগী কৈথেলদগী মমল পীদুনা লৈরকপা উ চারাশিংসু পুরক্তুনা থানখি হায়রি।

## মীয়াম নুংশিনদনবা ঙাং শকখিবশিং পেন্দে ঃ ব্রহ্ম সভা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ লৈবাক মীয়াম নুংশিনদনবা অমদি মচেৎ তানবা ঙাংলি শক্লিবা কয়াদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি ব্রহ্ম সভা অমদি লোয়শঙশিংনা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি ব্রহ্ম সভাগী জোয়চন্দ্র শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈঙাক্কী থৌদা পুরিবশিং অমদি য়াইতোং ফমদোংবশিংনা মশা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা মীয়াম তিনবা থৌরমশিংদা ধর্ম্মগী অমদি চৎনবিগী মায়োক্তা ঙাংনিংবতা ঙাংবা, অখঙবা অহৈবা শানিংবা, ৱাখল য়াওদবা, তুংদা লাক্কদবা খঙদবগী মতৌগুম পংঙাং ঙাংবা তৌবিগনু।

মখোয়না ঙাংখিবশিং অমদি তৌখিবা থবকশিং মীয়াম্না হেন্না খঙই। কনানা করিনো হায়বদু খঙদবা ওইনা উবসিসু লাইবক থিবনি। অমরোমদা হেন্না খঙবা হেন্না হৈবা কয়া অমসু লৈরি হায়বসিসু খঙবিফম থোকই হায়রি।

## দ্রগ লল্লোনবা অনী ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী টিম অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা অচৎ অওক চেক তৌবদা মোইরাং লমখায় অমসুং গোলাবটি ৱাটর রিজার্ভর মনাক্তগী দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা মীওই ২ হেরোইন নম্বর ফোর পাউদর গ্রাম ৩২০ গা কোন্নবা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মোইরাং লমখায়দগী ফারবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাক্তা থিঙেল লৈকাইদগী জামির খান (২৬) অপোকপা নাসির খান কৌই। অদুগা গোলাবটি ৱাটর রিজার্ভর মনাক্তগী ফাবা মীওই অদুনা চুরাচান্দপুরগী তোংলাল ভেংদা লৈবা পাউখম দিমঙেল (৩৫) অপোকপা পাউমাং দিমঙেল কৌই। মখোয়দগী ব্রাউন মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমসু ফংখি অমসুং জামির খানদগী মরাল শীবা য়াবা পোৎ-চৈ খরসু ফংখি। মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চথরি হায়রি।

## রিমসকী ফিভম ফগৎনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা পীরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ রিমস ইম্ফালবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমসুং ষ্টাফশিংগী ফিভম ফগৎনবা য়ুনিয়ন হেলথ মিনিষ্টর য়াওগদবা বোর্ড ওফ গভর্ণরস মিটিংদা পুখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা থাজবা পীরক্লে হায়রি।

নন-টিচিং ইমপ্লোইজ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন রিমস ইম্ফালগী সেক্রেটরী টিঐচ বাবু সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই বসন্ত সিংহ য়াওবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উনদুনা রিমসকী অৱাৎ অপা কয়াগী মতাংদা ৱারী শানখি। মদুদা চৎলিবা থা অসিগী ১৪ লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা রিমস ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা বোর্ড ওফ গভর্ণরস মিটিংদা কোন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু ৱান টাইম রিগুলরাইজেসন তৌবিনবা, পোষ্ট ক্রিয়েসন তৌনবা অমদি এইমসকী থাক্তা পুখৎনবা ৱাফম কয়া পুথোকপিনবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিনখি।

ৱাফমশিং অদু তারবা তুংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুদা পুখৎপা য়াবা ৱাফমশিং পুখৎতুনা থবক্তা ওম্থোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা পীরকখি। মদুগীদমক থাগৎপগা লোয়ননা বোর্ড ওফ গভর্ণরসকী মিটিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ শান্ত সিংহ অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিংবুসু এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়রি।

## চাইল্ড মেরিএজগী মতাংদা ৱার্ক্সোপ পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ থৌবাল কলেজ এন এস এস য়ুনিট থ্রিনা দিষ্ট্রিক্ট ৱেলফেয়ার ওফিস থৌবালগা খূৎশম্নদুনা চাইল্ড মেরিএজ এন্দ ইটস ইভিল ইফেক্টস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ কলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল কলেজগী ষ্টাফশিং অমদি এন এস এস য়ুনিটকী ভোলুন্টিয়ার ১০০ রোম্না শরুক য়াখিবা ৱার্কসোপ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সি পি য়ু) থৌবালগী লিগেল কম প্রোহিবিসন ওফিসার রীনা চনুনা ঙসিগী নহা ওইরিবশিংনা চহী নৌনা য়ুম পানবগী অমাঙবা অমদি লোগী ওইবা কয়া শন্দোক্লা নৈনখি।

কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ও চাউবা দেবীনা লুচিংদুনা চহী নৌনা য়ুম পালহনগুমসি হায়নসু পূন্না ৱাশক লৌমিন্নখি হায়রি।

## মীলালনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লাংমৈদোং পানাগী মনুংচনবা কাইরেনফাবিদা লৈবা হাওবিজম ওঝা কুমার মীতৈনা লৈখিদবদা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইন শিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) ময়াই লোয়শঙনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মীলালগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি ওইনাম কৈনাহনবী লৈমানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, জেনরেল সেক্রেটরী মুতুম মঙলেম্বনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ওঝাগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরসনু হায়না থৌনিজখি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা ওঝা কুমারনা মতম শাংনা মীলালগী থৌমী ওইরম্বা ইং তপ্পা মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়ননা অচঙবা থৌমী অমা ওইনা তৌরম্বা থবকশিং মীফম অদুনা শীংথাখি হায়রি।

## এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি অমদি দি পি ও-আই সি দি এস সেল থৌবালগা খূৎশম্নদুনা নেস্নেল ন্যুত্রিয়েসন থাগী মনুং চন্না এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি হঙ্গামথাবী কম্যুনিটি হোল লিলোংদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুদা সি এম ও থৌবাল ডা. এন জয়েন্তকুমার সিংহ, দি সি থৌবালগী ব্রাঞ্চ ওফিসার রীমা হাওবমনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইখি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ওফিসার থৌবাল অরাম্বম কামেশ্বর সিংহ, দি আই পি আরগী দিপ্যুটি দিরেক্টর ঙমলাল দৌঙেল, ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. এল তোমচা খুমন অমসুং এস দি ও ইন-চার্জ লিলোং হেফাজুদ্দিনসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সিঐচ বসন্ত সিংহ, দি সি পি য়ু থৌবাল রীনা চনু অমসুং দি সি পি ও থৌবাল কে অনীতানা রিছোর্স পার্সন ওইখি। পি ঐচ সি লিলোংগী টিম অমনা মীওই কয়াগী মশা মউ চেক তৌখি হায়রি।

## দেসাম্না শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল ইনভাইরোনমেন্টেল রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না মহৌশাগী খল ঙাক্লা থম্নবা মতম মতমগী ওইবা এৱার্নেস কেম্পেইন কয়া স্কুল কলেজ অমদি লৈকাই লৈকাইদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী ওইনসু চৎলিবা থা অসিগী ২৯ নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট লেভেল ইনভাইরোনমেন্টেল রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন ২০১৯ পাঙথোক্কদৌরি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা পি বি মঙাংনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, রিটন ক্যুইজ কম্পিটিসন অসি কেটেগোরি এ ক্লাস ফাইবতগী সভেন ফাওবা অমসুং কেটেগোরি বি ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবা কাঙলূপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কনি।

কেটেগোরিগী মতুং ইন্না ইনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈননা নমথোক্লবা ৱাহং ৫০০ পাউখুমগা লোয়ননা পীথোক্কনি। হায়রিবা ৱাহংশিং অসিগী মনুংদা ৱাহং ২০০ খনগৎলগা কম্পিটিসন্দা হংগনি। লেমহৌরিবা ৱাহং ১০০ না জি কেদা হায়বদি মণিপুর হিষ্ট্রিগী ৱাহং ৩০, মণিপুরী জিওগ্রাফিগী ৩০, স্পোর্টসকী ২০, করেন এফিয়ার্সকী ২০ হংগনি। অপূনবা মার্ক ৩০০ গী ৱাহং ৩০০ সু হংগনি হায়রি।

কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাবশিংদা সার্টিফিকেট অমমমগা লোয়ননা লুপা লিশিং ১৫, লিশিং ১০ অমসুং লিশিং ৮ পীগনি। মখা তাবা মহৈরোয় ৩০ খনগৎতুনা কন্সোলেসন প্রাইজসু পীগনি। য়াওনিংবশিংনা দেসাম হেদ ওফিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসশিংদগী চৎলিবা থা অসিগী ৯ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ফোর্ম ফংগনি। এগজাম সেন্টরশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মনুংদা ওইগনি। ইংলিস মেদিয়মনি, নমথোক্লবা পাউখুম য়াওবা ৱাহং ৫০০ না চৎলিবা থা অসিগী ১৭ তগী পীগনি। অকূপ্পা মরোল ফোন নম্বর ৭০০৫৩৭৭৩৬৭, ৭০০৫২৭৪৯১০ অমসুং ৮৮৩৭২৩২৮২২ দা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়রি।

## ক্ষেত্রি ইরাবত মেমোরিয়েল এৱার্দ পীবা হৌরগনি

ককচিং, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু চৎলিবা থা অসিগী ৩০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা পাঙথোকপগা লোয়ননা হন্দক চহীদগী ক্ষেত্রি ইরাবত মেমোরিয়েল এৱার্দ ফোর ক্লিন, গ্রিন এন্দ হেল্দি ককচিং ২০১৯ পীবা হৌরগনি হায়রি।

জননেতা ইরাবত নীংশিং লূপ ককচিংগী প্রসিদেন্ট সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুম্না ফোঙদোরকখিবদি লূপ অসিনা শীন্দুনা মখল মথেলগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমদা হৌখিবা চহী খরদগী হৌনা উ থাসি, উ হিংহনসি হায়বগী পান্দমদা চঙশিল্লিবা লৈকাই, ৱার্দ নৎত্রগা পরেংশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী ফজনা অমদি চাং নাইনা উপালশিং য়েংশিনবিবা, শেন্নবিবা অমদি মফমদুগী ইরম নালা অমসুং অকোয়ববু মতম চূপ্পদা তরু তান্নবা থম্নবা হোৎনজরিবশিংগী মনুংদগী খনগৎলগা অহানবা ওইনা মেমোরিয়েল এৱার্দ অসি পীবা হৌগদৌরিবনি।

টার্ম অহুম্লক মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মেম্বর ওইনা ককচিং কেন্দ্রদগী কাদুনা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইখিবা লোয়ননা জননেতা ইরাবত নীংশিং লূপ অসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট ওইদুনা ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্ক শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ক্ষেত্রিময়ুম ইরাবতকী মিংদা ইমুং মনুংনা কৎপা চহী খূদিংগী পীগদবা এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫, সাইটেসন অমদি খুদোলপোৎ য়াওরি।

এৱার্দ অসিগীদমক অখন্নবা শেম্বা এৱার্দ কম্মিটিনা চৎলিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎকনি অমদি কম্মিটি অসিগী রিকমেন্দেসন মতুং ইন্না জননেতা ইরাবত নীংশিং লূপ ককচিংনা হায়রিবা এৱার্দ অসি লাক্লিবা ইরাবত দে নুমিত্তা লান্থোক্কনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীং-তমগী খেন্নবা লৈতবা অপূনবা মণিপুর অমগীদমক মীরমদা পুন্সি পিখম্নখ্রবা লময়ানবা হিজম ইরাবতবু নীংশিংবা ওইনা মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা উ ৱা, হৈপাল-লৈপাল থাজিনবা অমসুং হিংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ইরৈকাই ইরমদম্বু তরু তানান্না থমদুনা তিঙ্গং কাইজংদবা মণিপুর ওইহন্নবা থবক পায়খৎমিন্নরসি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ আর দি এন্দ পি আর দিপার্টমেন্টকী ড্রাইভর ময়েংবম ধনঞ্জোয় সিংহনা লাইবক থিবা লম্বীগী থৌদোক অমদা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট ড্রাইভরস এন্দ টেক্নিসিয়ান এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী চীফ এদভাইজর এস ইবোপিশক সিংহনা ময়ায় ফমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী খুয়াদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি হায়রি।

## মেদিয়া ৱার্ক্সোপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি) ইম্ফালনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা মেদিয়া ৱার্ক্সোপ থা অসিগী ১২ দা ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক্কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কদৌরি। য়াওনিং-বশিংনা পি আই বি ইম্ফালগী ওফিস্তগী অকূপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি নৎত্রগা ফোন নম্বর ৯৪৩৬০৮৬৮৭৮ তা কন্টেক্ট তৌবসু য়াগনি হায়রি।

## ত্রোংলাওবীদা কাদাগী একাদেমিক কেম্পেইন চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ত্রোংলাওবীদা লৈবা এ রুদ্রা হায়স্কুলদা ঙসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা কাদাগী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন চথখ্রে।

কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, রুদ্রা হায়স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ইন-চার্জ মোইরাংথেম বিজয়ারানি দেবী অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইনিংশুম্বম ওংবী বসন্তিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খুরাই থাংজম লৈকাই মল্টিপরপজ কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং নিষানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়াম্না থৌদাং হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে।

লংদাই অপূনবা নুপী লূপ খুরাই থাংজম লৈকাই, খুরাই অহোঙ্গৈ মৈরা পায়বী, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই মৈরা পায়বী, খুরাই থৌদাম লৈকাই মৈরা পায়বী, খুরাই কোংখাম লৈকাই মৈরা পায়বী অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, ৱুমেন মল্টি দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন খুরাই থাংজম লৈকাইগী প্রসিদেন্ট সঞ্জেম্বম দসু, নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু)গী প্রসিদেন্ট কোন্সম নরেন্দ্রজিৎ, কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সেরাম ওংবী তম্না অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৱার্দ নম্বর ২৩ গী কোর্পরেটর লৌশম্বম রোমোলানা পূন্না থৌরম মপু ওইখি। অদুগা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমদি সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরমশিং অদুদা শরুক য়াখিবা রিছোর্স পার্সনশিংনা ফোঙদোকখিবদি খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোল কঞ্জনবা লমদম অসিগী শিনফম খূদিংদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না অঙম্বা থৌদাং লৌফম থোকই। মণিপুরদা নুপীনা য়ু থকপগী চাং চাদ ৬ য়ৌরে হায়না ইন্দিয়াগী ওইনা চথখিবা সর্ভে রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়াসু ময়েক শেংনা পনখি।

## ইপসাগী প্রসিদেন্ট য়াওনা খন্নরবা তুংদা খূৎশুমনগী য়ানবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ এফ সি আই গোদাউন জিরিবাম অমদি এফ সি আই, এফ এস দি, রেল হেদ জিরিবামদা শিন্মী ওইরিবা মণিপুরী শিন্মীশিংগা এম /এস এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস নম্বাসি কাচুমরন ভিল্লেজ উখ্রুলগী পৱার ওফ এটোর্নি হোল্ডর ওইরিবা পাউনম প্রেমচান্দ মঙাংগী মরক্তা খূৎশুমনগী মতাংদা য়ানদবা লৈরম্বা অদু ইন্টরনেস্নেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী প্রসিদেন্ট জোয়চন্দ্র কোন্থৌজম য়াওনা কয়ারক হন্না খন্নরবা তুংদা য়েৎনরিবশিংগী মরক্তা য়ানবা পুরকখ্রে।

ইপসাগী আই পি আর সেক্রেটরী এস তোম্বীসানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পূন্না খন্ন-নৈনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা শিন্মীশিং, হেন্দলিং লেবর কন্ত্রেক্টর অমদি কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন লেবরর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্দা ইপসাগী মায়কৈদগী শিন্মীশিংগী য়াইফনবা থবক তৌনবা ৱাফম থমখি অমদি শিন্মীশিংগী হক মাঙহন্দনবা পাউতাক কয়াসু পীখি।

মণিপুরদা ৱার্ক কলচরগী অকনবা ইহৌ শাগৎলিবা চৈরক অসিদা এফ সি আই ওথোরিটিনা হেন্দলিং কন্ট্রেক্টরশিংদা পীরিবা সেদ্যুল রেট অসি মতমগা চুনদ্রে হায়বগী ৱাফমসু থমখি। অমদি মতমগা চুনবা খূৎশুমন পীগদবনি হায়বগী অকনবা ৱাফম ইপসাগী প্রসিদেন্টনা থমখি হায়রি। শেঞ্জাও পায়বশিংনা শিন্মীশিংবু অপাম্বা মওংদা শীজিন্নবা, তৌনিংবতা তৌবা, পীনিংবা খূৎশুমন খরা পীরগা মফম মতম চাদনা থবক শুহনবা য়ারোই হায়বগী ৱাফমসু খঙহনখি হায়রি।

## মৈরা ক্লব লখিপুরদসু লেম্না মীতৈ ময়েক তম্বিবা ঙরাংদগী হৌখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্ব ০৬ (জে এন এন)ঃ মীলাল অমদি লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন দিপার্টমেন্টনা পূন্না শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লেম্না মীতৈ ময়েক তম্বিবগী থৌরম ঙসিদগী লখিপুরদা লৈবা মৈরা ক্লবতসু হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম এন এফ জিরিবামগী প্রসিদেন্ট হামোম ধোনি মীতৈ, মৈরা ক্লব লখিপুর লৈকাইগী প্রসিদেন্ট কেঐচ ইন্দিকুমার অমদি মীলালগী প্রসিদেন্ট ৱাই বিরেন মীতৈনা পূন্না থৌরম মপু ওইখি।

হামোম ধোনি মীতৈনা ফোঙদোকখিবদি মালেমদা লৈবা কাঙলূপ খরদি মশাগী ময়েক লৈজদে অদুবু মীতৈ ঐখোয়গীদি ইশাগী ইয়েক লৈজরি। অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইয়েক খঙবা মথৌ তাই। কুমজা ১৯৬৪-৬৫ অদুৱাইদা ঐখোয়গী ইয়েক তমগদবনি হায়বা ইহৌ অমা লাকপদগী কম্মিটি অমা শেমদুনা ময়েক্কী মতাংদা য়েংশিনবা হৌরকখিবনি। চহী খরগী মতুংদদি হৌজিক শীজিন্নরিবা বঙ্গালি স্ক্রিপ্ট অসি মীতৈ ময়েক্তা শোয়দনা ওনখ্রগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ধর্ম্মা প্রেমি সমিটি মণিপুর শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাঙ্গনতাবী মখা লৈকাইদা লৈবা লাইশ্রম সুবোল সিংহগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা মীফম্না হিন্দু ধর্ম্মা অমদি সংস্কৃতি চাউখৎহন্নব-গীদমক ধর্ম্মা প্রেমি সম্মিটি মণিপুর কৌবা লূপ অমা শেমখ্রে।

ঐচ নাগেশ্বর শর্ম্মনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা শেমখিবা লূপ অসিগী চহী ৩ গী থবক পুগদবশিংসু মত অমত্তা ওইনা খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি এল সুবোল সিংহ প্রসিদেন্ট, কেঐচ ইবোহনবী সিংহ ভাইস প্রসিদেন্ট, এল সরত সিংহ ট্রেজরর, এন ইনাওমচা সিংহ জেনরেল সেক্রেটরী অমসুং এস বিজোয় সিংহ জোইন্ট সেক্রেটরীনি।

বিশ্ব হিন্দু পরিষদ মণিপুর প্রান্টকী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ওইনা চহী ৩৭ রোম থবক তৌরম্লবা নৌনা শেমখিবা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এল সুবোল সিংহনা ফোঙদোকখিবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না ধর্ম্মবু নুংশিবা মশক খঙলক্তবা মতমদা লৈবাক অদু অফবা ওইরক্তে। মরম অদুনা হিন্দু ধর্ম্মবু য়োকখৎপগী তঙাইফদবদু খঙনা লূপ অসিনা থবক তৌগনি।

ঙসি রাধ অষ্টমি নুমিৎ ওইবনা রাধানা মালেমদা খোঙদারকপগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুসু মীয়ামদা ময়েক শেংনা থমখি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী এন ইনাওমচা সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## এফ এ ট্রেনিংগী খল্লবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ একাদেমিক সেসন ২০১৯-২০ গী ওইনা চহী ১ গী ভেটিরিনরি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ট্রেনিং কোর্সকীদমক এন্ট্রান্স টেষ্টতগী খনগৎলবা কেন্দিদেটশিং লাউথোকখ্রে। ইম্ফালগী সঞ্জেম্থোংদা লৈবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপাটমেন্টকী নোটিশ বোর্দতগী অকূপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুম্বোংদা লৈবা ভেটিরিনিরি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ট্রেনিং সেন্টরগী প্রিন্সিপালদা চৎলিবা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগী ফোটো কোপি অমদি পার্সপোর্ট সাইজ ফোটো ৩ গা কোন্ননা এদমিসনগীদমক রিপোট তৌরগদবনি হায়রি।

## এমসু হৈঙাং ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী প্রভিন মোইরাংথেম অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জোয় মংশাতাবম অমদি অতৈ থৌমী কয়া য়াওনা ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা মীফম্না এমসু হৈঙাং ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি কোঞ্জেংবম ধনজিৎ সিংহ প্রসিদেন্ট অমদি মোর্নলম নাওরোইবম সেক্রেটরী জেনরেলনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী অঙোম সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরালনা হায়রি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (০৭-০৯-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, ৱাখল ইংবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা, পোৎ লৈবদি য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা মত খেন্নবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ হেন্না ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** শাওনবা, পেন্দবা মতম্নি। লম চৎপা হৈ শিংউ। ইমুংদা মত খেন্নবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, ৱাখল হকচাং নুংঙাইবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, কোক শাবা, মীনা নুংশিবিবা ৱাৎপা মতম্নি। চথোক চৎশিন্দা চেকশিল্লু। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** অমগা অমগা মত খেন্নবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ খরা ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা,অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, ৱা থোকপা, ঐগী মী মশীং হন্থবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়ারগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। লম চৎপা মী তিন্নবা হৈ শিংউ। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** ৱাখল লাঙবা, শাওনবা, ৱারৌবা মতম্নি। মীনা খরা য়েংশিল্লি। অচৌবনা চানবিরগনি। শেল চৎপা, ইমুংদা চরাঙনবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোকপদা লুনা থোকপা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬, ২৭ অফবনি।



খুলদুদা মচিন-মনাও অনীখক অমসু লৈরমই, মখোয়গী কনাসু লৈরমদে



অতোনবদুদি য়াম্না ফবনি, থবক শুবা তন্দে, মশকসু ফজে

